**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-02-2026)**

**ভিজিট(এল)ঃ** নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবা কেন্দ্রগী ষ্টিল এন্দ হেভি ইন্দষ্ট্রিজগী রাজ্য মন্ত্রি-ভুপতি রাজ্ শ্রীনিবাস ভর্মানা ঙসি নোনে জিলাদা চৎতুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনগনি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা অৱাং খুল রেলৱে ষ্টেসন, নোনে জিলাদা শারিবা মালেমদা খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে পায়র, সরকারগী স্কুলশিং, অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অমদি নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্টরনচিংবা য়েংশিনগনি। এন.আই.ঐচ.দি.সি.এলগী ওফিসিএলশিংগসু উন্নদুনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদসু খন্নগনি।

**খেমচান্দ(এল)ঃ** বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এগী সরকার অসিগী মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি রাজ্য অসি হেন্না চাউখৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মীয়ামগা হেন্না অফবা মরী থমদুনা সরকারনা পায়খৎলিবা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, তংদু লৈতাবা অমদি মীয়াম পুমমক চাউখৎমীন্ননবগী মতাংদা মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিংগা খন্নখি। অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা মশা মশাগী শেন্থোক লম্বী শেমগৎচরক্লিবা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিং সরকারনা মতম চুপ্পদা মতেং পাংগনি। মসিনা রাজ্য অসি অফবা মায়কৈদা পুরকপা ঙমগনি। মীয়ামগীদমক হেন্না অফবা অমদি হরাউ তয়াম্বা পুরক

বগীদমক সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

অমরোমদা, বি.জে.পি-এম.এলশিংগী ওইবা মীফম অমসু ঙরাং ইম্ফালগী নিত্যাপাক চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখি।

মীফম অদুনা অমনা অমবু মতেং পাংনবা হেনগৎহনবা, পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং নৌহৌননা য়েংশিনবগী ৱাফমশিংসু খন্নখি। মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা মহাক্কী দিল্লি খোঙচৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, বি.জে.পি. নেসনেল প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিন য়াওনা মরুওইবা লুচিংবা কয়া উন্নরুবগী ৱাফম থম্বগা লোয়নননা অতৈ থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ককচিং খুনৌ-পামচৌ হিলস রেঞ্জদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপা ঙমলে।

খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল. গন অনি, দি.বি.দি.এল. অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ইমুলদাইল এক্সপ্লোসিপ অহুম, দিটোনেটর অহুম, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী নোংমৈ মরু ২৫৬, ইষ্টৰ্ন সেল অহুম, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অমা য়াওনা অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়া লৌখৎলে হায়না মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লাইরৌ চীং এরিয়াদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া লৌখৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল গন অহুম, ঐচ.ই.থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ, ফোরটি ৱান মোটার বোম অমা, নোংমৈ মরু ৪৬ য়াওনা অতৈ খুৎশু খ্ৎলায় কয়া য়াওরি।

ইন্টিলিজেন্সকী অককবা পাউগী মতুং ইন্না মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্তুনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুরি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোইরেঙ্গৈ মনুং লাইকোন লৈরক্তগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমা ফাখি। মঙোন্দগী আর.পি.এফ-পি.এল.এ. ফাউন্দেসন ডেগী বেন্নর অহুম ফংবা ঙমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী এরিয়াদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাডর অনিসু ফাখি। মখোয় অনিদগী থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অমা, দিটোনেটর অমা, নোংমৈ মরু তরা ফাগৎপা ঙমখি।

ঙরাং চথখিবা ওপরেসনদনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঘাড়ি এরিয়াদগী প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙমন জোন থ্রিদগী কে.সি.পি. (পি.এস.সি) গী কাদর অমা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাহেং খুমন এরিয়াদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাডর অমা ফাখি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, ঙসি রাজস্থানকগী জৈসেলমরদা চৎতুনা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী বাইয়ু শক্তিদা শরুক য়াগনি। নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু ঙরাং রাজ্য অসিদা থুংখিবনি।

বাইয়ু শক্তি অসিগী মনুং চন্না ইয়ার চীফ-অমর প্রিত সিংহগা লোয়নননা ভারতকী অহানবা দিজাইন ওইরিবা এল.সি.ঐচ. প্রচান অমদি এল.সি.ঐচতা রাস্ত্রপতি তোংগনি। মসিগী মতুংদা, ভারত-পাকিস্তান ঙমখৈদা লৈবা পোখ্রান হিল ফয়ারিং রেঞ্জতা পাঙথোক্কদবা বাইয়ু শক্তিগী মপুং ওইবা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমদি মুখ্য মন্ত্রি-ভজনলাল শর্ম্মা শরুক য়াগনি।

**টিকেটঃ** দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন (দি.জি.সি.এ) না ইয়ার লাইনশিংগী টিকেৎ হন্দোকপগী অনৌবা নীতি নিয়ম শেমদোক্লে।

অনৌবা নিয়ম অসিগী মতুং ইন্না টিকেট বুক্কিং তৌখিবা পুং ৪৮ গী মনুংদা টিকেট অদু কেন্সেল তৌবা মতমদা অহেনবা চার্জ অমত্তা লৌররোই। চেরোল অমদা হায়-ইয়ারলাইনশিংনা পেসেঞ্জর অমগী মমিং লানবা চুমথোকবা হোৎনবদা অহেনবা চার্জ লৌরোইদবনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি ইয়ারলাইন্সশিং অদুগী ৱেব সাইটকী খুত্থাংদগী হকথেংননা টিকেট ককপা মতমদা ফংগনি।

**রেলৱেঃ** ইন্দিয়ান রেলৱেজনা নোর্দন, সাউর্দন অমসুং ইর্ষ্টন রেলৱে জোনশিংদা পায়খৎকদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী শেনফম কায়থোক্লে।

কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়-প্রোজেক্টশিং অসিনা রেলগাড়িগী দাবা য়াওনা পেসেঞ্জরশিং পুথোক পুশিন তৌবদা মতমগা চুন্নবা মওংদা পায়খৎনবগীদমক্তনি। রেলৱে মন্ত্রালয়না ইর্ষ্টন রেলৱেগী মখাদা নোংচুপ বেঙ্গোলদা কিলোমিটর মরি, মিটর ৭৫ শাংবা কলিপাহারি বাই পাস লাইন লুপা কোতি ১০৭ চংনা পায়খৎনবগীদমক অয়াবা পীরে। মসিনা চৎথোক চৎশিনগী মতম মিনিট ৯০ হেন্না তেনশিনদুনা রেলগাড়িশিং মশিং হেন্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা থোকখিবা ইরাংগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা থোকখিবা ওর্দরগী মতাংদা, য়ুনিয়ন মিনিস্তর ইম্ফালদা থুংলখিবা অমদি রাজ্যগী এম.এল.এ-মন্ত্রিশিংগী মীফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

চীফ মিনিস্তর খেমচান্দনা সেন্ত্রেল লিদরশিং উনরকপগী পাউদম

এম.এল.এশিংদা থমখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউ চে অসিদা নোং তারক্তবা অসিনা ইকং থোরকপা য়ারি হায়বা পাউ অমসু এঙ্কর কলমদা ফোংলে।

মনিপুর ভাইওলেন্সতা সি.বি.আই. অমদি এস.আই.টিনা লৌখৎপা কেসশিংগী চার্জসিটকী কোপি ইমুং মনুংদা ফংহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতেগী হকচাং জোমিগী তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট, এন.আই.এবু থিগৎহন্নবা দিমান্দদা লৈরোল চনদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ চে অসিদা এম.য়ুগী পোষ্ট ৭৮ বু কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলে।

নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা য়ুনিয়ন মিনিস্তর-ভুপথি রাজ্ ইন্ফালদা থুংলখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী লানগী থৌদোকশিং থিজিন্নবা শেমখিবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারিগী অনৌবা চেয়ারপার্সন খল্লে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলে। পাউ চে অসিদা প্রসিদেন্ট রুল মনুংদা হাপখিবা ষ্টেট ইনর্ফোমেসন কম্মিস্নারগী এপোইন্টমেন্ট হায় কোর্টতা চেল্লেঞ্জ তৌরক্লে হায়বা পাউ অসিসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-লৈবাক শিনবা থুংনা মীতোপশিং খনে দাকবগীদমক হায় লেবেল পেনেল অমা শেমগৎলগনি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মনিপুর ভাইওলেন্সকী অৱাবা তারিবা ভিক্তিম অমদি ইমুং মনুংশিংদা চার্জসিটকী কোপিশিং ফংহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। মিলিটেন্টশিং ফাগৎলে হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-কেরলা প্রেস টুর চৎখিবা পি.আই.বি. ইম্ফালগী মেদিয়া দিলিগেসন ঙরাং ভিজিনজাং ইন্টরনেসনেল সি পোর্টতা চৎখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-মীলালনা গাড়িশিংদা মীতৈ ময়েকনারেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাগদবনি হায়বা ৱাফম হন্দোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-পাউমৈ নাগা ৱিমেন য়ুনিয়নগী ৮ শুবা জেনরেল কনফরেন্স সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।